**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 18-03-2025)**

**ত্রাফিক (এল)ঃ** রাজ্যগী ত্রাফিক কন্ট্রোল পুলিসনা য়াউশং কুম্মৈ মনুংদা ত্রাফিক্কী নিয়ম থুগায়শিং ফাগৎতুনা লুপা লাখ ১০ রোমগী ই-চলান ককখ্রে।

ত্রাফিক পুলিসকী ই-চলান রিপোর্টকী মতুং ইন্না য়াউশং কুম্মৈ হৌখিবা নুমিৎ অদুদগী হৌরগা ঙসি ফাওবদা ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী ওইনা লুপা লাখ ৯ লিশিং ৯৪ ত্রাফিক্কী নিয়ম থুগায়বশিংদগী ই-চলান ওইনা ককপা ঙমখি। মসি অপুনবা কেস ৫২২ গা মরী লৈননা খোমগৎখিবা ফাইনগী শেনফমনি।

অদুগা চৎলিবা থা অসিগী অহৌবদগী হৌরগা ঙসি ফাওবদা জিলা অসিদা ত্রাফিক কন্ট্রোল পুলিসনা অপুনবা কেস লিশিং ২,০৩৩ লৌখৎতুনা পুন্না লুপা লাখ ৩৫ লিশিং ৯৪ গী ই-চলান ককখ্রে।

**হোর্টিকলচর (এল)ঃ** আর.কে.ভি.ৱাই. ২০২৩-২৪ গী মখাদা মনিপুরগী হোর্টিকলচর সেক্তরদা অচৌবা অওনবা অমা পুরকবা হোৎনবদা এদভান্স ইনোভেটিব টেকোলোজিশিং শিজিন্নবা হায়বা হীরমদা ঙসি ত্রেন্নিং প্রোগ্রাম অমা পাঙথোকখ্রে।

রাজ্যগী হোর্টিকলচর এন্দ সোইল কঞ্জারভেসন বিভাগনা শিনদুনা ইম্ফালগী শঞ্জেনথোংদা লৈবা দাইরেক্তোরেট ওফ এগ্রীকলচরগী ফামরস ত্রেন্নিং হোলদা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা অবার্ন কিষান ফার্মস প্রাইবেট লিমিটেদকী কো-ফাউন্দরসু ওইরিবা চীফ সাইন্টিফিক ওফিসার-ডা: সাইরাম রেদি পলিচেরলা, ফুদ টেকোলোজি সাইন্স ইন্সটিট্যুটকী ভরটিকেল দাইরেক্তর-ডা: পার্থ সারাথি ভাতচ্যারিয়া, নবার্দ মনিপুর রিজনেল ওফিসকী জেনরেল মেনেজর-পার্থ মন্দল অমদি হোর্টিকলচর এন্দ সোইল কঞ্জারভেসন বিভাগকী

দাইরেক্তর-কে. দেবদত্তা শর্ম্মা শরুক য়াখি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা শ্রী দেবদত্তানা হায়-মনিপুরগী নোং চিং অমসুং অইং-আশাগী ফিভমগা লৌউ শিংউগা অদুক্কী মতিক চুন্নে। মসিনা পোৎথোক মরাং কায়না পুথোকপা ঙম্বা রাজ্য অমা ওইরি। মসিনা রাজ্য অসিগী শেল থুম ফিভম ফগৎহনবদা মপুং ওইবা থৌদাং লৌরি। মহাকা হায়-অৱাং নোংপোক রাজ্যশিংগী মনুংদা পীকচরবসু সিক্কিম অসি লৈবাক অসিগী ওইনা এলাইজি খ্বাইদগী য়ামা পুথোকপা রাজ্য অমনি। মসিদসু নত্তনা লল্লোন ইতিক্কীদমক লৈ থাবদসু চাউনা মায় পাকপা রাজ্য অমা ওইরি। মসি তমজনিংঙাইনি। অসিগুম্বা মায় পাকপা অসি মনিপুরদসু পুরকবগীদমক এদভান্স টেকোলোজি শিজিন্নবগী তঙাইফদবা লৈ।

**ডে (এল)ঃ** মনিপুর ষ্টেট কম্মিসন ফোর ৱিমেন (এম.এস.সি.ডব্লিয়ু), আই. ক্যু.এ.সি, ৱিমেন্স সেল অমদি বিরমঙ্গোল কলেজগী এন.এস.এস. য়ুনিটশিংনা শিনদুনা জেন্দর সেন্সিটাইজেসনগী মতাংদা নোংমগী ওইবা ৱার্কশোপ অমা ঙসি কলেজ অসিদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা এম.এস.সি.ডব্লিয়ুগী মেম্বর সেক্রেটরি-ডব্লিয়ু. ফজতোন্বী দেবীনা হায়-নুপীশিংবু অশোয় অঙাম য়াওদনা থমবগী পান্দমদা মনিপুর ষ্টেট কম্মিসন ফোর ৱিমেন্স অসি লিংখৎখিবনি। কম্মিসন অসিনা নুপীশিংগী চাউখৎ থৌরাংগী থবক থৌরমশিং লাকপদা থেংনবা অৱাবশিংসু লেপ্তুনা য়েংশিনদুনা লাক্লি।

নুপা নুপী অনিগী মতাংদা খেৎনবা অমদি মখোয় মখোয়দা পীরিবা খুদোংচাবশিং অদু নীংথিনা মীয়ামদা খঙহন্নবগী পান্দমদা সেন্সিটাইজেসন প্রোগ্রাম অসি পাঙথোকপনি। মহাকা হায়-নুপা নুপী অনিগী মরক্তা ৱাখলগী অমসুং পাঙ্গলগী খেৎনবা কয়া লৈরবসু সংবিধাননা তোঙান তোঙানবা তঙাইফদবা হক কয়া পীদুনা নুপীবু খুন্নাইদা অৱাংবা থাক্তা থমবা হোৎনরি।

থৌরম অদুদা কম্মিসন অসিগী চেয়ারপার্সন-থুমলিপ তিংনিংফম মোনশাংনা হায়-নুপা নুপী অনিগী মতাংদা মান্নবা থাক পুরকবগী ৱাফম অসি লাইরিক্কী সেলেবসতা য়াওদবা তারবসু হৌগৎলক্লিবা মহৈরোইশিংদা হীরম অসিগী মতাংদা নাংথিনা খঙহনবগী তঙাইফদবা লৈ।

থৌরম অদুদা, কম্মিসন অসিগী মেম্বরশিং-লৌরেম্বম দয়াবতি অমসুং টি.চোংশিন কোইরেং শরুক য়াখি।

**অকাশবানি (এল)ঃ** ব্রোদকাষ্টিং ইনফ্রাষ্ট্রকচর নেটৱার্ক দিবলপমেন্ট (বাইন্দ) স্কিমগী মখাদা অকাশবানি ইম্ফালনা শিনবা ঈশৈ নোংমাহগী থৌরম 'ম্যুজিকেল রেনদিসন-সিমফনি ওফ ইন্দিজিনস এন্দ ক্লাসিকেল ম্যুজিক' অমদি ধোল ধুলোগ চোলোম পার্ফোমেন্স ওফ হোলি হায়বা থৌরম অমা ঙসি ইম্ফালগী য়াইস্কুল পুলিসলেন্দা লৈবা এম.দি.য়ু. হোলদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা সঙ্গীৎ নাতক একাডমী এৱার্দি-এন. টিকেনগী লুচিং মখাদা প্রোগ্রেসিপ আর্টিস লেবোরেটোরিগী আর্টিষ্টশিংনা জন্ত্র কয়াগী সিমফনি অমা মীয়ামদা খুদোল তমখি অমদি ধোল ধুলোগকী চোলোমসু উৎখি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা অকাশবানি ইম্ফালগী হান্নগী প্রোগ্রাম হেদ-দিলিপ ময়েংবমনা হায়-

থৌরম অদুদা, অকাশবানি ইম্ফালগী হান্নগী প্রোগ্রামগী এসিষ্টেন্ট দাইরেক্তর-তোকেশ্বর এলাংবম, হৌজিক প্রোগ্রাম হেদ ওইরিবী নোংথোম্বম রোমা অমসুং অকাশবানিগী এসিষ্টেন্ট দাইরেক্তর-থোকচোম জোগেন্দ্রজিৎনা থৌরমগী মীথুংলেনশিং ওইখি। মসিগা লোয়ননা অকাশবানি ইম্ফালদা থবক তৌরম্বা শকাইরবা মীওই কয়াসু থৌরম অদুদা শরুক য়াখি।

**ওইল (এল)ঃ** মনিপুর সরকারগী লৌউ-শিংউ লোইশঙ অমদি দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন থৌবাল অনিনা শিনদুনা ওইল পাম থাবগী মতাংদা ত্রেন্নিং প্রোগ্রাম

অমা ঙসি থৌবালগী দিপ্যুতি কম্মিস্নারগী ওফিস কমপ্লেক্সতা পাঙথোকখ্রে।

ত্রেন্নিং প্রোগ্রাম অসি নেসনেল মীসন ওন এদিভল ওইলস-ওইল পাম (এন.এম.ই.ও.ও.পি) গী মখাদা পাঙথোকপনি। মসিগী হীরমনা 'মনিপুরদা ওইল পাম ত্রি থাবগী চাউখৎহন্নবা' হায়বা অসিনি।

থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা অখণ্ড অহৈশিংনা মনিপুরদা ওইল পাম থাবনা লৌমীশিংদা পীগদবা কান্নবশিংগী মতাংদা অমদি ওইল পামদা য়াওরিবা কান্নবশিংগী মতাংদা ৱা ঙাংখি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা এদমিনিষ্ট্রেটিব কমিতি, জিলা পরিষদ-থৌবালগী চেয়ারপার্সন-খুন্দ্রাকপম সোভানা হায়-

**মেমোরেন্দম (এল)ঃ** থা অসিগী ১৬ তগী থিবা খঙদনা লৈরক্লিবা লুৱাংথেম মুকেসপু পুং ২৪ ফাওবগী মনুংদা তেক্ত কায়দনা ইমুং মনুংগী মীওইশিংদা শিন্নবীয়ু হায়না থৌদোক অসিগা মরী লৈননা শেমখিবা জে.এ.সিনা ঙসি রাজ্যগী চীফ সেক্রেটরি, দি.জি.পি. অমদি সেক্যুরিতি এদভাইজরদা মেমোরেন্দম অমা পীশিনখ্রে।

ইম্ফালগী কৈশাম্পাৎ লৈমজম লৈকাইদগী মুকেশ, থা অসিগী ১৬ তা য়ুমদগী থোকখিবদগী থিবা খঙদনা লৈরকখিবনি। মসিগী মতাংদা ইম্ফাল পুলিস ষ্টেসনদা মীসিং রিপোর্ট অমা পীশিল্লকখিবনি। হৌজিক সেক্যুরিতি ফোর্সনা চিংনবা মফমশিংদা থিব হুম্বগী থবক চখুরি।

**থৌবাল (এল)ঃ** থৌবাল ফোরেষ্ট দিভিজননা শিনদুনা মালেমগী উমং কনবা নুমিৎ ঙসি থৌবাল জিলাদা পাঙথোকখ্রে।

উমং অমদি চিঞ্চাক হায়বা হীরমদা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুগী শরুক অমা ওইনা লমশাং লমজেল অমসু পাঙথোকখি। লমজেল অদু জিলা অসিগী দিপ্যুতি কম্মিস্নার-অহন্থেম সুভাসনা দি.সি. ওফিস গেটতগী লমথাদুনা ককচিং

রেঞ্জ ফোরেষ্টকী ওফিস মমাংদা লমথুংফম ওইখি। থৌরম অদুদা দি.এফ.ও. থৌবাল-এল. জিসিলি, থৌবালগী এস.পি. সিবানন্দ, রেঞ্জ ফোরেষ্ট থৌবাল-দিনেস চন্দ্র সলাম, রেঞ্জ ওফিসার ককচিং-হুইদ্রেম সুন্দর অমদি থৌবাল ফোরেষ্ট দিভিজনগী অতৈ ওফিসিএলশিং শরুক য়াখি।

জিরিবাম জিলাদসু, থৌরম অসি জিরিবাম ফোরেষ্ট দিভিজননা শিনদুনা জিলা অসিগী বাবুপারাদা লৈবা আর.কে. সনাতোন্বী দেবী বিদ্যালয়াদা ঙরাং পাঙথোকখি। থৌরম অদুদা জিলা অদুগী এস.পি. সৈখ মোহোমদ জেপ জাকির, এদিসনেল দিপ্যুতি কম্মিস্নার-থোকচোম মনোরঞ্জন শরুক য়াখি।

**শঙ্গাবা (এল)ঃ** ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী খুরাই চাইথবী লৈরক ৱিমেন্স সোসাইতিগী নৌনা শাবা শঙলেন ঙসি শঙ্গাখ্রে।

শঙলেন অদু খুরাই নান্দৈবম লৈকাই গ্রাম পঞ্চায়টকী চেয়ারপার্সন-শরাংথেম সোমরেন্দ্রোনা শঙ্গাখিবনি। থৌরম অদুদা শরুক য়াদুনা হৈঙাং সি.দি.ব্লোক্কী বি.দি.ও-এলাংবম অমুথোই খা ঙানবানা হায়-নুপী সমাজগী ওইনা চাউখৎ থৌরাংগী খন্নবগীদমক চপ চাবা মফম অমা লৈরম্বদবা অদু হৌজিক্তি শঙলেন অসি লৈরবনিনা হেন্না খুদোংচাহল্লগনি। এম.জি.-নরেগা স্কিমগী মখাদা লৈরিবা তোঙান তোঙানবা চাউখৎ থৌরাংগী প্রোজেক্টশিংগী মনুংদা অসিগুম্বা নুপীশিংগী চাউখৎ থৌরাংগী খোঙথাং য়াওরি হায়বসি মীপুম খুদিংমকা খঙমীন্নবা চংই।

**থৌবাল (এল)ঃ** শঙ্গোম অফম্বা চারুবদগী ইমুং মঙাদগী মীওই তরা লায়কন্নখ্রে। থৌদোক অসি থৌবাল জিলাগী ৱাংজিং এস.কে. লৈকাইগী নারেংবম লৈরক্তা থোকখিবনি।

ঐখোয়গী থৌবাল পাউমীনা হায়-হৌখিবা নোংমাইজিং নুমিৎকী নুমিদাং অমসুং ঙরাং অয়ুক লৈকাইগী দুকান অমদগী শঙ্গোম অফম্বা লৈদুনা চারুবদগী

ইমুং অদুগী মীওইশিং কোক ঙাউবা য়াওনা ওবা-ফাইবা হৌরকখিবনি। তুংদা, মীওইশিং অদু থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিতালদা পুখৎতুনা লায়কন্নখি।

**বোর্ড (এল)ঃ** বোর্ড ওফ সেকেন্দরি এদুকেসন মনিপুর (বোসেম) না লৌবা কুমশি চহিগী হায়স্কুল লিভিং সার্টিফিকেট ইগজামিনেসনগী প্রাক্তিকেল পরিক্ষাশিং হয়েংদগী হৌরগনি হায়না কন্ত্রোল্লর ওফ ইগজামিনেসন-অয়াম থোইনা থোকপা চেরোল অমদা হায়রি।

চেরোল অসিনা হায়-থাং-তা, ফাইন আর্টস, ঈশৈ-নোংমাই অমদি মনিপুরি জগোই হায়রিবা সবজেক্টশিং অসি হয়েংদগী হৌরগনি। অকুপ্পা মরোলগীদমক বোসেমগী ৱেব সাইট-ঐচ.টি.টি.পি.এস. দবল স্লাস পোরটেলস দোট বোসেম দোট ইন অমদি দব্লিয়ু দব্লিয়ু দব্লিয়ু দোট বি.এস.ই.এম. দোট এন.আই.সি.দোট ইনদগী খঙবা য়াগনি।

**উখ্রুল (এল)ঃ** উখ্রুল দিষ্ট্রিক্ট ৱার্কিং জর্নেলিষ্ট এসোসিয়েসননা শিনদুনা নুমিৎ নিনি চুপা চত্থরকপা মীফম ঙসি উখ্রুলদা লোয়শিনখ্রে।

‘কনেক্তিং ভোইসেস’ হায়বা হীরমদা পাঙথোকপা মীফম অদুদা সেনাপতি, তমেংলোং, চান্দেল, নোনে অমদি উখ্রুল জিলাগী পাউমীশিংনা শরুক য়াখি।

**এৱার্ড (এল)ঃ** লোয়ালম পাব্লিক লাইব্রেরী-ৱাংজিংনা কুমশি চহিগী ওইনা পীগদবা সাহিত্যশিংগী মনাশিং লাউথোক্লে।

সলাম লাইবা নীংশিং খোরিরোল মনা অসি নিরজন উশমদা অমসুং শামুয়াইমা খোরিরোল নীংশিং মনানা ডা: সলাম সাসিকান্তাদা পীরগনি। মনাশিং অসিদা শেল, সাইটেসন অমসুং সাল অমমম য়াওরি। মনাশিং অসি মথং থাগী ৯ দা লাইব্রেরী অসিগী মপোক কুমওন থৌরমদা য়েন্থোক্কনি।

**ৱিলিয়ম ঃ** হৌখিবা থা ৯ লোম, ইন্টরনেসনেল স্পেস সেন্টরদা পন্দুনা লৈরকখিবা এস্ট্রোনোট অনি-সুনিতা ৱিল্লিয়মস অমসুং বটস ৱিলমোর, মালেমদা তেক্তা কায়দনা য়ৌরকবা ইন্টরনেসনেল স্পেস ষ্টেসন থাদোকখ্রে। মখোয় অনি ঙসি অয়ুক পুং ১০ মখায় হেনবা অদুৱাইদা ইন্টরনেসনেল স্পেস এজেন্সিদগী থোরক্তুনা দ্রাগন স্পেস ক্রাফটসতা তোংখ্রে। স্পেস ক্রাফট অসি হয়েং অয়ুক অঙনবা পুং অহুম মখায়রোম তারকপদা মালেমদা থুংলগনি।

**গজা ঃ** ইজরেলনা গজাদা নোংথক্তগী লান্দাবদা মীওই ৪০০ হেন্না শিখ্রে হায়রি।

পেলেস্তাইনগী হকশেল লোইশঙগী মতুং ইন্না ঙরাংদগী ইজরেলনা গজাদা চথ্থরকখিবা নোংথক্কী লান অসিদা মীওই ৫০০ হেন্নসু অশোক অপন নংখ্রে হায়রি।

নাকল অনিগী মরক্তা নোংমৈ কাপবা লেপনবা ৱারী শান্নবদা মায় পাক্রবা মতুং ইজরেলগী লান্মীশিংনা পাক শন্না নোংথক্কী লান অসি চথ্থরকখিবনি। চহি অসিগী জানুৱারী ১৯ দা ইজরেলনা চথ্খিবা নোংথক্কী লান অদুগী মতুংদা হন্দক্কী অসিনা খ্বাইদগী পাক শন্না অমদি অমাং অতা থোকহনবা অমা ওইরি। ইজরেলগী মায়কৈদগী হৌজিক পেলেস্তাইন গ্রুপ হমাসনা ইং ২০২৩ দগী ফাজিনদুনা থল্লিবা মীওই ৫৯ থাদোরকবা ইজরেলগী মায়কৈদগী খঙহনবদা হমাসনা থাদোরক্তবদগী লান অসি চংশিল্লকখিবনি হায়রি।

**ফুটবোল (এল)ঃ** লমলোং থোংখোঙদা লৈবা আর্তিফিসিয়েল টর্ফ গ্রাউন্দদা ঙসি শান্নখিবা ১৭ শুবা মনিপুর ষ্টেট লিগ ২০২৪-২৫ গী মেটচতা সৈনিক স্কুল ইম্ফাল ওল বোইজ ফুটবোল ক্লবনা নেরোকা-এফ.সিবু পাঞ্জল ৪-০ দা থোইখ্রে।

অতোপ্পা মেটচ অমদা সঙ্গাই হেরোজনা ফুটবোল ক্লব লমজাউবু পাঞ্জল ৩-০ দা থোইখ্রে।

**ফুটবোল (এল)ঃ** ওল মনিপুর ফুটবোল এসোসিয়েসননা শিনদুনা থা অসিগী ২০ দগী হৌগদৌবা দিলবুং কমচোর মেমোরিএল সেকেন্দ অন্দর থারটিন বোইজ ইন্টর ক্লব ফূটবোল লিগ টুর্নামেন্ট ২০২৩-২৪ গী অনৌবা ফিকচর থোক্লে।

ৱাই.সি. ডব্লিয়ু.ও. গ্রাউন্দ-হৈনৌবোক্তা শান্নগদবা মেটচ অসিগী অহৌবা নুমিৎতা ৱাই.ভি.এগা জি.এফ.এগা অহানবা ওইনা শান্নগনি।

**বোক্সিংঃ** ২০২৮ গী লোস এঞ্জেলস ওলেম্পিক গেমসতা বোক্সিং মশান্ন হাপচিনবা ইন্টরনেসনেল ওলেম্পিক কম্মিতি(আই.ও.সি) না য়ারে। ইন্টরনেসনেল ওলেম্পিক্স কম্মিতিনা মমাঙ থাদা ৱার্ল্ড বোক্সিংদা প্রোভিজিনেল রিকোগনিসন পীখিবদগী ৱারেপ অসি লৌরকপনি। ইন্টরনেসনেল ওলেম্পিক কম্মিতিগী প্রসিদেন্ট থোমাস বচসনা ঙরাং ৱাফম অদু পাউমীশিংদা লাউথোকখিবনি।

আই.ও.সিগী ৱারেপ অসিদা মণিপুর অমেচর বোক্সিং এসোসিএসনগী সেক্রেটরি ধনজিৎ ফৈরোইজমনা নুংঙাইবা ফোঙদোরক্লি।

**ইতলিঃ** ইতলিগী তুরিনদা পাঙথোকপা স্পিসিএল ওলিম্পিক্স ৱার্ল্ড ৱিন্টর গেমসতা শরুক য়ারুবা ভারতকী কন্টিজেন্টশিংগা ঙসি প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিগা উন্নখ্রে। শান্নরোইশিংবু প্রধান মন্ত্রিনা পুকিং থৌগৎখ্রে।

সোসিএল মেদিয়াদা থাগৎপা ৱারোল অমদা প্রধান মন্ত্রিনা হায়-স্পিসিএল ওলিম্পিক অসি ভারতকী শান্নরোইশিংনা পুন্না মেদল ৩৩ লৌরকপা অসিনা লৈবাক অসিদা অচৌবা মায় পাকপা অমা ওইরে।